ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯴ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, মার্চ০২, ২০১৭, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ৩২৪ শুবা মশীং

# মণিপুর পুলিসকী থৌদাং

## মীয়াম্না পুলিসকী থৌদাংদা হৌজিকসু ৱাহং হংলি

***মণিপুর*** পুলিসকী পার্সনেল মশিং অসি হৌজিক্তি শীংথানবা য়ানা হেনগৎলে। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পুলিস ফোর্সতগী মণিপুরনা মপাঙ্গল শোন্না লৈত্রে হায়বা য়ারে। অদুবু শীংনরকপা কয়া লৈবনা পার্সনেল মশিং হেনগৎননবা অথুবদা হোৎনরকখিগনি হায়বগী থাজবসু লৈতবা নত্তে। অদুবু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খঙগদবদি পার্সনেল মশিং য়ান্মনবখক নত্তনা থবক তৌগদৌরিবা পার্সনেলশিং অদুগী হৈ-শিংবা অমসুং মথৌ খঙবা অদুসু মথৌ তাই হায়বসিনি। মণিপুর পুলিস পার্সনেলশিংদা শীন্নরিবা থৌদাং অসি য়াম্মী। অদুবু মখোয়না তৌরিবা থবক্তি কা হেন্না শীংথানিঙাই ওইদে হায়না লৌনবা মীসু য়াওগনি। পার্সনেলশিংগী মরক্তা মশিং য়ামদনা মথৌদা কথোকপা মীওই য়াওদবা নত্তে। অদুবু অয়াম্বা পুলিস পার্সনেলশিংদি মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম কন্ননবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌনিংদে। মরু ওইনা মীয়ামগা মখোয়গগী মরক্তা লৈনগদবা থাজনবা অদু শেমগৎপা ঙমদে। মসিনা মীয়ামগা পুলিসকগী মরক্তা অচৌবা অহোবা অমা লৈ। অহোবদুনা মরম ওইরগা পুলিসনা মীয়ামবু শেল থোকফম ওইনা উই। অদুগা মীয়াম্না পুলিসপু শেলখক্তং মীহৌবা ফোর্স কাঙবু অমনি হায়না লৌই। মরু ওইনা মণিপুর পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন অমসুং ওপরেসনদা মশক নাইবা থবক কয়ামরুম তৌবা ঙম্লবসু নোর্মেল রুটিন ওইনা লৈরিবা মীয়ামগী পূন্সি কনবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদদি অদুক হাক্লা শীংথানিঙাই ওইদে। পুলিস পার্সনেলশিং চহী ১ গী মনুংদা থা অমা হায়বদি থা ১৩ গী তলব পীদুনা ওফিসতা লেঙদনা থবক তৌননবগী থৌদাং শীন্নরবসু পুলিস পার্সনেল অয়াম্বা ময়ুমদা হল্লি। অহিং নোংয়াইদা নৎত্রগা নোংঙাল্লমদাইদা থোকপা থৌদোকশিংদা পুলিস ফোর্স নিংথিনা লৈতবগী অৱাবা লৈ। অসিগুম্বা অহোবসিগী খুদোংচাবশিং খুৎলায় পায়বা অন্দরগ্রাউন্দ লূপশিংনা লৌরগা লন্নাই মীওই কয়াগী য়ুমদা বোম থমজিনবা, বোম লংশিনবনচিংবা চথে। মসিদা মণিপুর পুলিসনা মখা তাবা থবক লৌখৎপা য়াম্না তপ্পী। মরম অদুনা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবশিং ফাবা ঙমদে।

ষ্টেট অসিগী কেপিটেলদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিং অমসুং গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা নুমিদাংগী মতমদা করি তৌরিবগে হায়বসি দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এস পিনা নোংমা ফাদোক অহিং নোংয়াইদা হৌগৎলগা ভিজিট চৎপা কান্নগনি। পুলিস ষ্টেসনশিং অদুদা নুমিদাংগী মতমদা পার্সনেল কয়া য়াম্না লৈ, থৌদোক ৱাথোক অমা থোরকপদা মনাক নকপা খুল অমদা মিনিট কয়াগী মনুংদা মফমদু য়ৌবা ঙমগনি হায়বসি এস পি অমনা টেবলদা ফম্লগা হেক্তা ৱাখলনা শাগৎপা য়ারোই। পার্সনেল অয়াম্বা ময়ুমদা হনখ্রবা তুংদা নাইট দ্যুটি ওফিসর অমখক্তা পুলিস কন্সটেবল তরাখক্তা লৈবা তারবদি পুলিস ষ্টেসন্না কনানা ঙাক্কনি। অদুগা পুলিস ষ্টেসনগী ৱাংমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক্লা কনানা থেংনগনি হায়বসিসু এস পি অদুনা য়েংশিনবা চুমগনি। নুমিদাংগী মতমদা থোরকপা থৌদোক ৱাথোকশিং থিংননবা ক্যুইক রেস্পোন্স টিম শেম্লগা লৈরবসু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়া নত্তবা মফমদা থোকপা থৌদোক্তদি মখোয় চত্তে। মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনগী পার্সনেলশিংনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরগা চৎলি। বোল্লিৱুদ ফিল্মদা মী খৎনবা লোইরগা নৎত্রগা মী হাৎপা লোইরগা পুলিস পার্সনেলশিং থৌদোক থোকফমদা থুংলবগুম মণিপুরদসু থৌদোক ৱাথোক অমা থোক্লে হায়দুনা পুলিসতা ঈ-পাউ মতম চানা পীরবা ফাওবদা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদা পুলিস পার্সনেলশিং পুং ১ রোম চোন্থরগা লাকই। নুমিদাংগী মতমদা য়ুম অমদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা এটেক তৌগদৌরে, থোঙ্গাল য়ৌরকখ্রে হায়না পুলিস ষ্টেসন অমদা টেলিফোন তৌদুনা খঙহল্লবা মতুং পুং ১ হেল্লবা ফাওবা য়ুম অদুদা পুলিস পার্সনেল অমফাওবা য়ৌরকপা ঙমদে। মসিগীসু মথক্তা মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীওই অমা মোব ত্রাইয়েলদা মীয়াম চঙদুনা ফূ-চৈবা তৌরকপদা মীওই অদুবু কনবীনবা কনাগুম্বনা টেলিফোনদা পাউ পীরবসু পুলিস পার্সনেলশিং মতম চানা য়ৌরকপা ঙমদ্রি। মসিনা উৎলিবদি মণিপুরদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংনা মী কনবগী থবক্তা মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমদ্রি হায়বনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি কনাগুম্বা মীওই অমনা মোবাইল ফোনগী বট্টম অমা নম্লগা মহাক খুদোংথীবা তারে, কনবীয়ু হেক হায়রকপা মীৎকূপ খরগী মনুংদা মনাক্তা পুলিস পার্সনেল য়ৌবা ঙম্লবদি মণিপুর পুলিসকী থৌদাং অসি মালেম শীনবা থুংনা থাগৎনরক্কনি। ফিদম্নিঙাই ওইরবা মতৌ অসি গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়া ফাওবা কোনশিন্নবা হোৎনবদা পুলিস পার্সনেলশিংগী ঈকায় খুম্ননিঙাই ওইরবা থৌদাং চঙই। মদু নত্তনা পুলিস ষ্টেসন ঙাকপা লাকপদৌনা সন্ত্রি অমখক তাহল্লগা অতৈনা তুমদুনা লৈরগা মীয়ামগী ৱাকৎ তাদ্রবদি পুলিস পার্সনেলশিং থল্লুবগী করি কান্নবা লৈগদগে? মসিমক মণিপুরদা থোকপদৌনা তৌবনা মীয়াম্না পুলিস পার্সনেলশিংগী থৌদাংদা ৱাহং হংনরক্লি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

# ১১শুবা লুচিংবা হুস্ফু খনবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ইকায়খুম্নবগী** মশক ওইরবা ওইরবী লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিগী অচৌবা থৌগাই পুবিরিবশিং অমদি মীচম মীয়াম পূম্বগী মফমদা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গেনাইজেসনগী মায়কৈদগী তাইবঙ মপুগী য়াথংগা ইরোইননা করিগুম্বা খরদং হায়জরি মদুদি লাক্লিবা ১১শুবা লুচিংবা হুস্ফু খনবা অসি অনৌবা চক অমগী লংদাই ওইশিল্লকপনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবিরিবশিং অমদি মীহুৎ ওইবিনীংদুনা থোকপীরক্লিবা খুদিংমক্লা মীয়ামগীদমক কৎথোকপা ঙম্বা চাংদগী হেন্না শেল থাদবিরনু, লোয়ননা মীচম মীয়াম খুদিংমক্লসু লাক্লিবা মীখল অসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইজগে হায়না থোকপীরক্লিবা খুদিংমক্তগী চা গ্লাস অমা ফাওবা থকপীদনা, য়ারিমখৈ অদোম অদোমগী চিল্লবা মতম অমতা মাঙহন্দনা অদোম্না অপাম্বা মীহুৎশিং খনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিদুনা তাইবঙ মপূগী য়াথংবু ইন্না চৎপা ঙম্বা কনা কনাবু য়াওরিবগে য়েংবগী অরোইবা মতম য়ৌশিল্লক্লে, লোয়ননা মালেমগী লৈঙাক মপূগী থৌগাই পুবিরিবা পুবিরিবী পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি মালেমগী মীপুম খুদিংমক্লা খঙবিগদবদি মীয়ামগী থৌগল তৌনীংবগী থোকপীরক্লিবশিংদি তোকখ্রো, মালেমবু শেম্বীরিবা তাইবঙ মপুমক্লা মালেমগী ৱাথোক লাম্থোক খুদিংমক কোকপীরগে হায়রবসু, ঙসিগী মালেম অসিগী দেমোক্রেসিগী অমদি নিংথৌরেলশিং, মহারানিশিংগী লৈঙাক্লোন খুদিংমক তংদু লৈতাবা অরোন অথুপ লৈতবা, মালেম লৈকোইপুংগী অমতা ওইবা লৈঙাক্লোন অমা শেনমিৎলোন অমদা হোংদোকমিন্নদ্রিমখৈদি তংদু লৈতাবা মালেম অমা ওইবা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই, মরম অসিনা মালেমগী লৈঙাক পুবিরিবা খুদিংমক্লা মীচম মীয়ামদগী খোমগৎপা শেলনা লৈবাক ঙাকপগী চৎন-লোনচৎ হোংদোকমিন্নদুনা, শাথিরবা বোম তোপ, মিসাইল, নোংমৈ, থাঙ-তেনগী লৈঙাক্তগী থৈদোকমিন্নরক্তুনা, থাজনবা, ইকায় খুম্নবা অমদি থৱায় অমনা থৱায় অমবু নিংথিনা ইকায় খুম্নবনা অপেনবা ওইনবা নিংথিরবা মালেমগী লৈঙাক্লোন অমনা মালেমগী মীপুম খুদিংমকপু চাকথুং ফিথুং মান্ননা খেন্নবা লৈতনা কোনশিনমিন্নবা মালেম লৈকোইপুংগী লইরৈবাক কংলৈপুংগী (মণিপুর) চীংবুরোই তম্বুরোই অনীনা মালেমদা নিংথিরবা লৈঙাকলোন অমা খুদোল তম্মিন্নদবা য়াদবা মরম্না, ইরমদম কংলৈপুং (মণিপুর) গী চীংবুরোই তম্বুরোইশিংগী নীংতম্বা মাঙখিবগী অমদি নীংতম্বা তানবগী লৈঙাক মপুশিংগী মায়োক্তা লেপ্পীদুনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্পীদুনা, চীংনুং মান্নুংদা, মীরোৎ ওইনা, মতম শাংনা লৈবিরিবা নুংশিরবা, ইচিন ইনাও, ইচল ইচে খুদিংমক, হৌজিক্তি মদুগী মতম নৎত্রে, মীপুম খুদিংমক মীহুৎ খনবখক্তদা শক্তি পীরম্বা মতম অদু লোইখ্রে। লাক্লিবা মতম অসিদি মীপুম খুদিংমক হীরম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা হক ফংবগী মতম য়ৌরে, মরম অসিনা অদোম অদোমগী মাঙলিবা মতম অমদি ৱাখল লৌশিং পূম্নমক শীজিন্নমিনদুনা মালেমগী নিংথিরবা লৈঙাক্লোন অমা শেমদোকমিন্ননবা ১১ শুবা লুচিংবা হুস্ফুগী মীহুৎ খনবা অসিদা ইশা ইশা থোকপীরক্তুনা নৎত্রগা ইশা ইশাগী তান্নবা থোক্কদবা মীহুৎশিং খনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু।

*অদোমগী - এন জি নিলকান্তা*

*প্রসিদেন্ট*

*য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গেনাইজেসন এন ঈ, ইন্দিয়া, মণিপুর*

# অহীংগী নীঙোল! পৈশাগী মমৌ!

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

**‘অহীংগী** নীঙোল পৈশাগী মমৌ, কৈথেলগী লৈরাং লুকমায়দা হারি…’ নোংমাইথেম পহারীনা শকপা, শরত অরাম্বম্না শৈরেংবা ঈশৈ অসি, মমাঙগী চহীচাগী হুস্ফুতরাগী ময়ায় চল্লকপা মতম অদুৱাইদা, মণিপুরগী অতিয়াদা কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা মায়কৈ মরী নিল্লম্মি। ঈশৈ অসিনা, পাখঙ ওইরিঙৈগী সেন্সিটিব ওইরবা থম্মোয়দুদা, সাহিত্যনা শাগৎহল্লকপা নুপী ওইবীশিংগী ফিদমনীংঙাই ওইরবা শক্তমদুদা অমুবা মচু তৈশিনবগুম থোকখি। ৱাখলগী তুলিনা থম্মোয়সিদা য়েক্ননবা হোৎনখি - নুপীগী অতোপ্পা শক্তম অমা নিংথিবা ৱাহৈগী লৈচল’না, কয়া ফজনা য়েক্লিবা - কনানসু মীথানদবী, মীয়াম্না তূক্কচচনবী, অখঙবনা তিনশীৎনবী, শাগৈনা নীঙোলনি হায়নীংদবী, য়ূম্নাক অমত্তগী মৌ ওইহৈদবী অমবু। ৱাহৈশিংদু তারগা, খল্লুরগা খল্লক্কনি - কয়া তুক্কচ্চরিবা!

মসিবু কৌই সাহিত্য! শৈরেং। ঈশৈ। ৱাহৈগী মতীক ময়াই।

অহীং, নুপী অমদি পৈশা! ৱাহৈ অহুম অসিনা ঙসি ৱাখল অমা খলহল্লকই - ৱাহৈ অহুম অসি করম্না মরী লৈনবা? ইথিল অমা পীরকই, করিগুম্বা খরা ইনীংলকই। করি ইথিল ওইরমনি? হংবীনীংলমগনি শোয়দনা। খন’সু খনবীরমগনি অফ-নুংঙাই ওইরম্লোই। অহীংদা খনবা ৱাখলসু, অহীংদা তৌবা থবকসু অফ-নুংঙাই ওইফরোই। অরোন-অথুপ, হুরানবগী থবক্তবু অমম্বদা তৌবনি। য়াইফ-থৌনি থবক্লা অয়ূক য়েন্দা অঙনবা, কোরৌ মশেক উবদা! লাল্লবরা?

হৌখিবা নুমিৎ মঙা-তরানি, নুপীগী অনৌবা শক্লোন অমা চোঙথোরকই। মচে-মনেম, পলেমগী শক্তম নত্তবা। কৈথেলগী লৈরাং নত্তবা, অহীংগীদি নীঙোল ওইবা, পৈশাগীসু মমৌ ওইবা নুজা খরা থোক্লকই। লুকমায় শক্লোন লৌরবা লৈকায় লৈকায় খুদিংদা পাক্লা শন্না লৈখ্রবা মৈরা শঙলেন কয়াদা অহীং খুদিং হারকপা ফনা কুইরে উরিবা। উবীদরা ময়ামদি?

খল্লম্মী অহানবদা। কোয়না চৎপদা উরকপা ময়ামদুগী মীৎনা উবা পাউদম তমসিরা! মীতোপ মীরমদা চৎলুবগী পাউদমদুদি ইনৈ-তমনৈ কনানা, লমকোয় ৱারী মিংথোল্লি। খঙদবা উদবা অতোপ্পা খুন্নাই অমগা শকখঙ-মায়খঙনহনবা কান্নবা খূৎই অমনি। নুংতিগী উরিবা থেংনরিবা ইশাগী ইরৈকায়সিগী খঙলমদবা মশক অমা উরকপই খোঙচৎ অদুগী পাউদমদি করি খূৎই কৌগনি? কনাগুম্বা অহৈবা অইবা অমনা অমুক্তং হোৎনবীদুনা ইরক্লবা! শোয়রোই, মীয়াম্না পানবা, মায় পাকপা খূৎই অমা শোয়দনমক্কী ওইগনি। অমম্বদা চৎপনি, মোবাইল ফোটো কাপ্লবসু য়াবা নত্তা, মনাক নক্লা চঙশিন্দুনা ৱারী শারুবসু য়াবা নত্তা, ঐহাক ওম্থোক্লা নীংঙমখিদে। মপূম ফাবা পাউদম-খূৎই ওইররোই খন্দুনা ৱারেং ওইনা ইরকখি।

খুন্নাইগী অসুপ্পা শক্লোন নত্তে, উরকপা তারকপা খরদুগী পাউনিলখোল খরা অদুনি ৱারেংসিদা ইজরিবা। শেরান্ননা খনফরোই। ইমা মশক ওইরবী, ইচে-ইচন শক্লবী ৱারেং অসি পারিবী মখোয়দুগী মফমদা, ঙাকপীনবা পুনেমজে। অমুকসু হন্না হায়জরি - খূৎইসিদা শৈথাজরিবা মখোয় খরদুতনি, মিংথোল ওইনা শৈথাজরিবা। নুপী খুন্নাইসিবুদি ফিদম ৱাংনা ঈরাৎচৈ।

ইলেক্সন কন্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হৌজিক, ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙাদা ‘ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি’ হায়না মিংথোনবা ‘কুন্মৈ’ (ফেষ্টিবেল) অমা পাঙথোক্লি। মখোয়না হায় ‘নুংঙাইবা (ফেষ্টিব) মুদ অমদা সংবিধান্না পীবা ইশাগী মীহুৎ খঙবগী থবক অদু পাঙথোকহনবনি’। তশেংবদি মদু নত্তে, হান্নদগী হায়নরকপা ‘ইলেক্টোরেল বেত্তল’ হায়বদুনা হেন্না চূনবনি। মীখল-তশেংনমক লানফম অমনি। ‘ইলেক্সন’ দা মীরেপ ওইগে খল্লুরবা, মরোন-মরান তাক’ তোরা তুনা মূৎকে খন্না লান য়াওরুবগা পাংখক্লি। ঐগী নুংশিরবা মরুপ অমা লৈরম্মী। হোৎনবা কনবদা শিংথানবনি মীয়াম্না। ময়ূম মকৈ শারকই, মরল-মথুম পায়রকই, মহৈদা মীথোয় মীহেন হায়বদুদি ওইরক্তে। লৈকায়’ মৈরা পায়বীনা থাজহনবা পোকহনবী কুম অমা ভোট লেপখি। মঙা লেপ্পদা মঙাসু, দিপোজিৎসু মাঙখিবা, ময়ূম-মকৈ য়োম্থোল্লম, থাপ্না চৎখি বোর্দরদা, লাইনীং লম্বী ওন্দুনা, ইমুং মনুং খুন্দাখি, খোঙ্গুল মুৎখি শাগৈদা। অসুক থীনা তমথীবা থবকসিবু ঈ সী আই’না মিংথোল্লি -মীখলগী হরাউ কুন্মৈ। মীপুম তিংনা য়াওহন্দুনা, মীশিং শুনা ভোট থাদহন্নবগী পান্দমদা, মখল কয়াগী পান্থৈ শীজিন্নদুনা তূমদুনা লৈবা ভোট্তরশিংবু মীকপ থোকহন্নবা হৌদোকপা ওইরম্বসু য়াই, কুন্মৈ পাম্বা ফুরুপনিনা।

ফেষ্টিভেল ওফ দেমোক্রেসি! তাবদা নুংঙাইরগসু, থম্মোয়সিনা য়ানীংখিদে। লৈবাক নিংথৌ খনববু কুন্মৈ ওইবা হৌনব্রা? তাঞ্জা অমা পীরম্লবা, হায়রমগনি ঐহাক্তি -ফেষ্টিবেল হায়’সি নত্তবা অতোপ্পা’মা হোংদোকসি। ঐখোয়’ লৈবাকসিদদি হান্নদগী হায়নরকই - মীয়াম’ মীহুৎ খনবসি শেলগী কুন্মৈ অমনি, মীখল লাকপা খুদিংদা শেলগী নোং চুরকই। নোংলীক ওইবা শেনয়ামদু খূন্ননবা হোৎনবা অচৌবা ঈরাং অমনি। ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসি - মমিংসিনা কনফার্ম তৌই- মীয়াম’ মীহুৎ খনবসি কুন্মৈ ঈরাং অমনি।

অদোম খঙবীদবরা - মণিপুর কৌবা লমসিদা মীরেপ - মীখল হায়বসে অহীংগী কুন্মৈ অমনি। ফেষ্টিবেল এট নাইট! মল্ল-মল্লগা, থেঙল থেঙলগা হেন্না কুন্মৈ মাল্লকপা!

ঙসি তারিখ অনীনি। হয়েংতা ঙাইরে তারিখ মরি! অহীং অনী অসিদা অমুক্তং কোয়দুনা য়েংবীরু-লৈকায় লৈকায়’ মৈরা শঙ’, নুপী শঙ্গু শঙ্গুনা পূল্লপ পূল্লপ ফম্মিন্না’ ঙাইরিবদু কনানো? লম্বী শোরোক লমজাওদা লাউনা খোংনা চৎলম্বা য়ু ঙাওবদি চৎখিদ্রে। মৈরা পায়বা হায়বসি ‘ঈহৌ’ শক্লোন লৌহনখিবা, ‘মৈরা-পায়বী’ মিংথোলবু ফিদম মশক ওইহনখিবা - পূম্নমকসিগী ক্রেদিট’তি - মীতৈ নুপাশিংগীনি। য়ুবু পেন্না থল্লুগা, লৈয়েং ফাইন লাউদুনা, য়ুথকফমদই ময়ূমদা ফৈরেং তুরেং চৎলমদ্রবা - নিষা-বন্দসু লৈরম্লোই, মৈরা পায়বী পোক্লম্লোই।

ঙসিদি, য়ুঙাং থকপী মীতৈ-নুপী, লৈরে লৈকায় খুদিংদা, নুপা’ লম্বা পাঙলে। ঐগা শকখঙনজবী, য়ুঙাং স্যের তৌমিন্নবী, মখোয় খরা অদুদি, পেগ মঙা থল্লসু লৈয়েং ফাওবা ফাইবীদে। শোনজুনবা ঐগীদি পেগ অহুম লিমিটনি। খূত্তা মৈরা পায়রগা য়ুথক’থিংবৈ থবক্তু তোকখিবা কুইরে মীতৈ নুপী। মৈরা শঙদা ফম্বসু তোকথোকখিবা কুইরক্লে। অদুম ওইদুনমকসু এম এল এ/ মিনিষ্টর খরদি, হৌখিবা চহী মঙাদা মানা তৌখিবা থবক শিংথাবদুদা, অনৌ অনৌবা মৈরা শঙ কয়া শাখ্রবগে হায়বদু শৈথাদুনা উৎলকই। মৈরা শঙ শাববু এচিবমেন্ট ওইনা উৎলিবা করিগীনো খঙলমদে। মীখল ময়া নল্লগদি মরম অদু খঙলক্লে। অমম্বা অহীংগী ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লফম শেম্বনি। মখোয় খঙই-য়ূমদা লাকপা ঙমদবা কনাগুম্বা খরা লাক্কনি, ফোংনা পীবা য়াদবা পোৎশক অমা পীরমনি। নোংম-নীনি’ খূৎশুমল তাল্লুদ্রসু য়ারনি। অহীং অমা মাঙলুবা, নীনিগী চরা নোংখন্নবা, ’সিদা করি কায়বগে?

হায়নৈ হন্দক মতাঙসিদি মৈরা শঙলেন খরদা য়াইপুবীসু ফম্লম্মি। নুমিদাংগী মতমদা, শঙলেন্দুদা চঙলগা মমিং মথা ইরুবা, ৱাশক অমা শক্লুবা, পুংজা খরা ফম্লুবা - পুংজাদুগী মমলনি, শংবানবা চামঙা চৎপী। নুমিৎ তরা, লিশীং মঙা। অদুগীসু মথক্তা, তারিখ অহুম’-অহীংগী অনীদগী তাররোইদবা, গান্ধী মমায় য়েকপা লক্ষ্মি দেবীগী শায়োন-চে। চেজেত্তুগী মহুত্তা, সার’দুনা কাখ্র’সু মেদাম’নসু কার’সু-করি খেৎনৈ ঐঙোন্দা?

অহীংগী নিঙোল, পৈশাগী মমৌদুনা হংলিবনি ঐখোয়দা।

# ঐগী নুংশিরবী সহর ইম্ফাল

### সোরোক নোরেন

***নুংশিদ্রা,*** সহর অসিনা শাংলবা কুমজা কয়া মরোল থোক্তবগুম তুমিন লেপ্তুনা য়েংলক্লি। হায়নীংবা-তমনিংবা মপাউ কয়া হায়দোকপা-তমথোকপদি ঙমদা ৱানা খাঙলক্লিবসে কুমজা মশীং য়াম্লক্লে। অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং লেপ্পা লৈতনা য়েংলি। উরি মফম খুদিংগী থৌদোক ৱাথোক। কনানা করিগী কদাইদা কমদৌরি, লোন্না উপায় লৈতনা য়েংবসি নত্তনদি পাঙ্গল থোকপা ঙমদ্রে। কনাদবু করি হায়না তম্লুনি। অৱাবা পাউসি খরদা ওইরবসু লীথোক্লগা কোক্তদ্রা খল্লি অদুবু লীথোক্লুরগা করি হায়খিনি খন্দুনা নীংদোল পোমদুনা লেনবসিদা তারবরা। নখোয় পূম্ন মকপু ঐনা অসুম্না তৌনৌ হায়খিবদি লৈতেকো। য়েংউ ঙসিদি মখোয়গী সহর ইম্ফাল ঐসে করম্বা মফমদা লেপ্লি হায়বা খঙলবা নৎত্রা নখোয় পূম্নমক।

মতমগী অওনবনি ওনজসনু খল্লি। নখোয়না ইমা হায়নদি কৌবিরি কৈথেল অসে ইমা কৈথেল অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা ইমাগী মফমবু কদাইদা থম্বীরিবগে। ইমাগী মীঙ্গৌ পামজদ্রে। নখোয়না থোন্নিংবা থোলহৌরো। মালেমদা মশক তাক্লিবনিদি হায়রি অদুবু ইমাগী মীংদা ওইরক্লিবা থৌওংসে ইমা পেনবা ঙম্লক্ত্রে। নোংমতা কাংদে ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক্কী নোংমতসু তাহল্লুনা অফবা পাউদো মীকুপ অমতা ওইরবসু পেন্না নোক্কে। হিংনবগী লানফমনি শু নোমদুনা হিংগদ্রা হায়রগা নুমিদাং য়েনখা পাউদাদুনা মীগী মপুরোইবনা চথোকখিবা ঙাইরগা লোঞ্জা লোনথুপ্নগে থৌরাংলিবা মীওইশিং মখোয়বু ঐগী অশেঙবা ঈ নত্তবরা। কদায়দগী য়ানশিনবা ঈগী মতৌ ওইরক্লিবনো। শেম্থোক লৈতে হায়দুনা নঙনা ইম্থোক্লিবদো অতোপ্পা নত্তে। মীমাংদা পুন্সি লৈপুন ওইরে হায়দুনা কুন্দো পরেং হুক্লখিবা নপুরোইবনি কাউরবরা? মীতৈ নুপীগী লীচৎ শাজৎ, নথৌনা নরিংজেল হুন্দোক্লগা অতোপ্পা মীরানচাগী মথানুংদা করি য়াতানিংলিবা। নখোয়সিবু ঐগী অশেংবা ইমোম ঙাক্তনিকো। হে তাইবঙ শেম্বীবা মপু করিনো ঐগী ইম্ফাল সহর অসিদা ওইরিবা শক্তমসিবো। অহিং চুপ্পা মীকপ মীরাওখোলনা নিল্লবা অমম্বা মোংশোংগী নাহেখোল করম্বা মতমদনো লোইখিগদবা। নীংশিংলুবদা হৌখ্রবা মতমশিংদো ঙরাংতা ওইরবোই নীংই। লমদম লমলেন লমনুংশি ফৌদাপুংদি কৌরিদো। চীক্লা চাইনা ঙমদ্রবা মীয়ামদুগী মীতিন মরক্তা নীংশা শ্বর হোনবা কাউবা মখৈ অরোইবা বিদাইগীদমক লেপখিবা। লমদমসিগী তাঙলবা মপারি টিকেন্দ্র, থাঙ্গাল নখোয়নীগী অরোইবা মীকুপ্না য়েংলম্বা মিৎয়েং করি পাউখোংনো চল্লম্বা। ঙসিগী খুন্নাই অসিদা পীরল্লিবা থৌনাগী মহাউ লৌবা ঙল্লিবরা মীরোনসিনা। নীংশিং য়ূম্বীনি হায়দুনা য়ুংলিবা অতিয়া পক্লবসু কনামতনা নীংশিংবা ঙম্নদ্রি। করিগীদমক থৱায় কৎখিবা করম্বা লোঞ্জা লোনথুপনবগী অমতসু নীংশিংনদ্রি। অরানবা ওইদবা ফত্তবা থবক তৌখিবগী ঙসি য়ুংলিবা অৱাংবা য়ূম্বী নত্তে। নুমিৎ তাবা লৈত্রবা অংগ্রেজগী লাম্মীনি হায়নরিবা অচৌবা তেঙ্গোল মরক্তা ইরৈবাক্কীদমক, শাংলবা তুংগী মীরোলগীদমক মথৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা লাম্থেংনখিবগীনি। মরম লৈতনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা শিংচেপ ওইদুনা মমল য়াম্লবা মপারি কয়াবু মমা-মচা, মপা কয়াগী মমাঙদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎকনি হায়দুনা হাৎখিবা অদুগুম্বা য়েক্লবশিং অদুগী মায়োক্তদি লেপ্নবা হোৎনদ্রি। লমন খুম্নবগী থৌদাং কনানসু হোৎনদ্রি। অয়াম্বা মীওইগুম মীগী অহেনবদা কল্লক্তুনা খম্বন্দুনা লেল্লি। মতমদুদা লৈখিবা ঐগী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী থৌনাদুমক্কী খুদুং ইন্দুনা চৎলম্বা তারবদি ঙসি কাংখোং চাইরবা খুন্নাই অমা ওইরিবসি ওইরম্লোই।

ঙসিদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরে হায়দুনা চাউথোকচরিবা ঐগী পোলিটিকেল পার্টিশিং নিদুনতা লেনবা পুন্সি ওইরবনা মচা মশু ওইরিবা ঐখোয় কয়াদসু নিবগী পাড়া তম্বীরি। ইনিং ইখা তম্না পানজরম্বা ঐগী ইরমদম অৱাৎপা লৈরমদবা লমদম ওইরল্লিবনি। শুবদা নোম্বদা পাঙ্গল থৌনাদা হনবা লৈতনা হোৎনরম্বা থৌনা ঙসিদি পূম্নমক মাঙখ্রে। মীপাল তাঙবা মীগী য়াকা য়েংদ্রবদি ইনিং তম্বা ঙমদ্রবা পুন্সি হায়বদু ওইরে হায়দবা য়ারোই। মসিমক্কনি ঙসি পেন্না পেন্না লাউদুনা অকনবা শক্নরিবা। পোলোইদদি মীয়ানচাশিংগী মখা পোন্দুনা হিংবা তারি। হিংলি হৌজিকসু। হিংখিনি হৌরক্কদৌরিবা শুরোন কয়া অমদসু মালেমসিনা হেক লৈরিবমখৈ। অদুবু খজিক্তংদি পূন্না ৱাখল তামিন্নদুনা ঙসিগী মীরোল অমদি তুংগী খুন্নাইগীদমক খন্থবা মতম হেন্দোক্লে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা লাইচুরবা হৌরক্লিবা নহারোল কয়াবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লংথরগা নুঙাইগনি খল্লিবা ফম্নাইবা নখোয়শিং অসিগী লমচৎতা করি হায়না ফিদম্মুগে। নঙখক্কী নুঙাইরগা লায়রবা মীচম্না কাঞ্জ থাং ওইহন্দুনা লেল্লিবা পুন্সিদুগী মমলনা লেপ্তে। হোৎনজমন হুমাংমলনা লেপ্তুনা মীগী থোংজিন লেপ্তুবা পুন্সিগী মহাওগী মগুণ খঙনবা অমুক্তং হোৎনবিরবদি খঙগদবনি পুন্সিসে কয়াদা ফজখ্রবা। অমনা অমবু করিগী নুংশিনা লোইনরোইদৌরিবনো। করিগী য়েক্লবগুম খন্দুনা তাথিরুগনি ঐখোয় অমতনি। পূম্নমক্কী পাঙ্গলনা শোত্থরবা খুন্নাইসিগীদমক হোৎনফম থোকই। খূৎ শম্নবা দরকার ওইরি। তীংথোকমিন্নসি ঙসি ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনমিন্নবা। হৌখ্রবা কয়া কাউথোক্তুনা খোইখা লিনখা থাবা মতমদু নৎত্রে। হৌজিক্তি খোঙফম চেৎনা লেপ্পা মতম ওইরে। খোঙফম কয়া শোয়দুনা লাক্লবা লেংলিমখৈ পুথরবা ঙসিগী খুন্নাইসিবু করম্বা মতিং লৈবা লুচিংবগী তুংইনবা ঙমগদৌরি। অমতসু য়াওদে থৱায়না পামজবা, ঐগী ঈনিদি হায়রবসু মপুকচেল শেংদবা মীগুম ফীরুক খুমদুনা চৎলগা অফবা শারি। মায়কৈ কয়াগী লাকশিনবা ঙমদ্রবা ঈরাংদা নোংমা নোংমগী মৈরি থোক্তুনা মৈজাও ওল্লক্লি। সিগী মফমসিনা খরদি ফরে হায়নিঙাই লৈতনা চপ মান্নবা ৱাথোক লৈবা লৈবাক ওইরি। মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা করম্বা শান্তিগী মফম লৈবা য়াওরিবগে। অফবা ৱাখল খনবা ঙমদবা লমলক্কী শাগুল্লবা পুকচেল লোইনমক ওইরক্কদবরা। মীনুংশি হায়বা ৱাহৈদুবু শীজিন্নদুনা অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা মীকুপ্তুবু ফংলকখিগদ্রা। মপানা মচা হাৎলবা, মপুরোইবনা মাগী লোইনবীবু থৌরি য়ানবীরবা, নুংশিনবা নুপানা মাগী নুংশিবীবু লৌরিগী লৈতেং ওইহল্লবা অসিগুম্বা খুন্নাইসিদা ৱায়েল কাতিগী চন্নফম লৈত্রবা লৈবাকসিদা করম্না হিংলুনি।

অদুবু মরোল থোক্ত্রবা সহর নঙগী থম্মোয়দা ওমদুনা চাক্লিবা মৈচাক্তুনা কয়াম কুইনা খাঙদুনা লৈখিনি। করিগীনো লাইওইখ্রবা অথৌবা অহুমগী তাবদদা তুজুংলবা নুংশিরবা মীংলেন অসিবু সহর অসিদা মরিং মরাংহল্লিবা। থাঙ্গাল কৈথেল, ইপু থাঙ্গালগী মীং লৌদুনা থোল্লিদি হায়ববু ইপুগী অশেঙবা ঈগী খোঙ্গুল তারিবরা? থাঙ্গাল কৈথেল কৌবসে পকচরিবরা? নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবদা উরিবা মীতোপ মীরানচাশিংগী মকা লাম্লবা মাইথোংনা ইপু থাঙ্গালগী খোঙ্গুল লীরুববু ইতিক ওইখিদ্রা। মসিবু কনাগী থৌইনশিন্দগী ওইখ্রিবনো। কনামতনা হঙ্গৎনা য়েংবা ঙম্বগী শক্তি লৈররোইদ্রা। অসিগুম্বা চয়েৎনরবা ৱাখল অসিনা হেক মোংলকপদা তৌফম খঙদ্রবা হায়বদু ওইরিবনি। মাগী থাঙহাই অমুক্তা অংগ্রেজ মচা কয়া য়েন্দেম থারাক শোইবগুম কুন্মৈ ওইনখিবা অথৌবা মপারিনি পাওনা ব্রজবাসি। অদুবু হংলি ঙসিগী মীরোলনা করিগী পাওনা কৈথেল থোল্লম্লিবা। লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা কয়াগী ৱাখলদা অথৌবশিং অসিবু নুংশিবগী মমি মচেৎ অমতা তাদ্রবরা? ইকায় খুম্ননীঙাই ওইবা মওংদা মীয়ানচাশিং অসি য়াওহন্দবা কৈথেল হায়বদু ওইবা ঙম্লরোইদ্রা? বির টিকেন্দ্রজিৎ লম্বীগী মপান্দসু অয়াম্বনি ময়াং মচাশিংগী লেকফম চাফম ওইরিবা। অতৈ কয়া অমসুনি। ঐনদি ঐগী ইম্ফাল সহরনি হায়দুনা চাউথোকচরিবা অদুবু পুং অমা ফানা ঐগী সহর অসিদা পোত্থাফম লৈরিবরা? মীতোপনি তশেংনা হায়রবদা ঐদি ইম্ফাল সহর অসিদা। সহর অসিনবু ঐসে মশক খঙলমগদ্রা, থাজদে। তঙাইফদ্রবদি ঐদি চাউরবা কৈথেল অসিগা মতম কুইনা উনদবা য়াওই। মরম অদুনা ইম্ফাল সহরনা ঐবু মশক খঙবীফম থোক্তে। অদুবু ঐনদি ঐগী সহরনি হায়দুনা নুংশিজবা অমদি হোংলক্লিবা শক্লোন, কায়থরক্লিবা ফীভমগীদমক্তদি ৱাজরি। মপু ওইবা ঙমদ্রবা অমসুং হন্দক মপোকসিমগীদি ইম্ফাল সহরগী মপু ওইবা ঙম্লরোইদ্রবসু শেল্লি শারি সহর অসিবু ফজনবা কনাগীদমক মীয়ান মচাশিংগীদমক। ইম্ফাল সহর ফজহনবদা, চাওখৎহনবদা ঐগী হুমাংমল য়াওখ্রবসু নুঙাইবগী মহাওদি ফংগদবা নত্তে। মসি পূম্নমক অসে দেমোক্রেসিবু পামজনা য়োকখৎলুবা পোলিটিকেল পার্টিগী খুজিন থৌরাং নত্তে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু হৌজিক করি তৌবা য়ারি ঐগী ইম্ফাল সহরগীদমক। অমোৎপা মফমনি হায়দুনা চাবা ফংলরোইদবা অঙ্গুরদো লমহুইনা শিল্লি হায়রম্বগুম থাদোক্তুনা চৎপা তারমালে। চীনখক্তদা অমদি থম্মোয়দা ঐগী অথৌবা কয়াগা শাগোন্নরিবা সহরনি হায়দুনা চাওথোকচরগা লেনবা তারে।

ঙসিদি সহর অসিনা মমান্নবা চাওর-চাওরবা সহর চামঙাগী মনুংদা অথোই অহেনগী চাংদম্নবসু য়াওনবা হোৎনরি। য়াওবদা নত্তে তরামঙাশুবা মফমদা লৈবসু ঙল্লক্লি। ঐখোয়গী হোৎনবগী মপালনা। অদুবু ঙসি হোৎনরিবা অসিগুম ঐগীনি হায়দুনা কন্দুনা থম্বগী খুদোংচাবা অদুতংগা খঙবা ঙল্লল্লবদি কয়াদা পেঞ্জগবা। পূম্নমক পেন্দেদা হায়দুনা তকশি শোনবা নত্তনা করি উপায় লৈরিবগে। ঙসিদি ঐগীনি হায়রিবা ইম্ফাল সহরগী খনবদা পূক্নিংসে লৈতাফম খঙদে। য়াম্না ৱাই। ঐগীনি ঐগীনি হায়রগা ঐগী ওইরমদবদা করিনো ঐনা তৌগদৌরিবসে। তরু তনানবা অমা ওইনবা হোৎনবদা চঙখ্রিবা শেল, মাঙখ্রিবা মতম অদুগা ঙসি নম্বুল তুরেলনা নৌনা মোৎশিল্লকপসিদি থৌবাল মচা, ককচীং মচা, মোইরাং মচা অমত্তনা নত্তে। শুপ্নগী ইম্ফাল সহরবু মখোয়গী খোইরি নাওফম তাফম ওইবগুম খল্লিবা আই এল পিগী শেঙলবা মীরান মচা ঙাক্তননি। মীপুম খুদিংনা অমদি লমদমসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা পূম্নমক্লা হিংনবগী কৈথেলনি খল্লবসু নুমিদাং ওইরকপদদি ময়ূম মায়কৈ পাঙখিনি। লেঙদনা মতম চুপ্পদা মপূ শাদুনা লৈহৌগদবদি মীয়ান মচাশিংসিতনি । ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়নবগুম ঙসিদি য়েলহৌমী ঐখোয়বু অশানবা য়ূমদা লৈবা মীগুম উরকপসিদি খন্নফম থোক্তবরা। তাল্লি তাল্লিদা মহায়বা মঙম শান্দবা খুতানসে মমৈথঙদদি মপু চৎপিখ্রো হায়রকপা নত্তনা উপায় লৈরোইদৌরি।

অরোইবদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি অপঙবা ঐনা খল্লিবা ৱাখলসে ওইথোকপা য়ারোইদবা ওইরবসু শন্দোরক্লিবা লায়নাসি হেন্না শন্দোরক্তনবদি তৌফম থোকই। মসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মপু ওইনবা হোৎনরিবা বি টি রোদ মচিনগী লোইশঙ অমদি হৌজিক কন্না ঙাঙনরিবা নিত্যাইপাৎ চুথেক্কী লোইশঙগী মীহুৎশিংদা শিন্নথোকপদি য়াররোই। মখোয়দি মখোয়গী কান্ননবা লৌবগীদমক য়োকখৎতুনা থল্লি। মীচম মীয়াম ঐখোয়না ঐগী নুংশিরবী ইম্ফাল সহরবু অমুক্তদি কনমিন্নসি।